# ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকায়া নাইদু আইজোলদা থুংখ্রে



আইজোল, মার্চ ০৯ (এজেন্সী):
নুমিৎ নীনিগী ওইবা অৰাং-নোংপোক ষ্টেটকী খোঙচৎতা ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকায়া নাইদু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা আইজোলদা থুংখ্রে।

ভাইস প্রসিদেন্টনা মিজোরামগী অমত্তা ঙাইরবা লেংপুই এয়রপোর্টতা নুংথিল হেক থুংবগা ষ্টেট গভর্ণর ডা. হরিবাবু কাম্ভমপতি, ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর ডা. আর লালথাংলিয়ানা, রাজ্য সভাগী এম পি কে ভনলালভেনা অমদি অতোপ্পা মরু ওইবা ওফিসলশিংনা মহাকপু তরাম্না ওকখি।

ভাইস প্রসিদেন্টনা মখা তানা নুমিদাংৱাইরমদা রাজ ভবনদা গভর্ণরনা শীনবা কলচরেল ইভেন্টতা শরুক য়াখি। ভাইস প্রসিদেন্টবু ওকপগী থৌরম অদুদা বেম্বু দান্স য়াওনা মিজোগী কলচরেল দান্সশিং উৎখি।

অমরোমদা, নাইদুনা রাজ ভবনদা হেক থুংলবগা ইকুই কুইদনা চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙাগা উনদুনা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা গভর্ণর হরিবাবু কাম্ভমপতিসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙানা ষ্টেট অসিদা নীংথিনা এদমিনিষ্ট্রেসন চথবা য়ানবা ষ্টেট অসিগী তোখায়বা ওল ইন্দিয়া সর্ভিস কাদরশিং মথৌ তারিবা অসিগী মতাংদা পূক্নিং চিংশিনখি।

ওফিসল সোর্ছ অমগী মতুংইন্না ভাইস প্রসিদেন্ট নাইদুনা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা ষ্টেট বজেট সেসন অসিগী অরোইবা নুমিৎ শগোলশেন নুমিৎতা ৱা ঙাংগনি হায়রি।

মদুগী মতুং মথংগী নুমিৎ ইরাইদা সিক্কিমগীদমক আইজোল থাদোক্কনি অমদি সাউথ সিক্কিমগী টারকুদা লৈবা কনচেনদোঙা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী ভর্চ্যুএল ওইনা উরেপ উয়ুং তমগনি হায়না সোর্ছনা মখা তারি।

## ‘অসামগা ঙমখৈগী চয়েৎনবা লোইশিনবদা রি-ভোইগী লম একর ৬৬ মাঙলগনি’

শিল্লোং, মার্চ ০৯ (এজেন্সী):
মেঘালয়া অমদি অসাম ষ্টেট অনীগী ঙমখৈগী চয়েৎনবা অসি লোইশিন্নবগী শরুক অমা ওইনা রি-ভোই দিষ্ট্রিক্টকী লম একর ৬৬ মেঘালয়া লৈঙাক্না অসামদা পীথোকখ্রে হায়না মেঘালয়াগী ওপোজিসনগী চীফ হ্বিপ জোর্জ বি লিন্দোনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

তৃনামুল কোংগ্রেসকী ওপোজিসন লীদর মুকুল সংমানা লৈঙাক পায়রিবা মেঘালয়া দেমোক্রেটিক এল্লাইন্সপু চেকশিন ৱা থম্লদুনা ঙমখৈগী চয়েৎনরিবা মফম ১২গী ৱারোইশিন পুরক্লবা অসামগা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা খূৎয়েক পীনরিবা অসি হাথু-হাথুনা ফাইনেলাইজ তৌগনু হায়খি।

মেঘালয়া অমদি অসাম অনীনা চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৯দা এম ও য়ু অমা খূৎয়েক পীনদুনা ঙমখৈগী চয়েৎনরিবা মফম ৬ - তারাবরি, গিজাং, হাহিম, বোক্লাপারা, খানাপারা-পিলংকাটা অমদি রাতাচেরাবু অহানবা ফেজগী ওইনা লোইশিন্নবা য়ানখিবগা লোয়নদা মখা তাবা য়েংশিন্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সতা থাখিবনি।

লিন্দোনা এম দি এ লৈঙাক অসিবু মরাল শীরদুনা ষ্টেট অসিগী লম একর ৬৬ অসামগী খানাপারা এরিয়াদা পীথোকখ্রে হায়খি।

টি এম সীগী লীদর মুকুল সংমানা ফোঙদোকখিবদা, ঙমখৈগী চয়েৎনবা লোইশিন্নবা খূৎয়েক পীনখিবা অসি পেন্নিংঙাই ওইদে অমদি ষ্টেট অসিগী ফাওদোক-ফাওজিন তৌবা য়াবা মফম অমা মাঙজবনি। ষ্টেট লৈঙাক্নসু ৱারোইশিন অসিবু নম্ফুদা য়াহন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা লৈঙাক্না শেমদোকপীদুনা অমদি একর ৬৬কী লম পীথোকখিবগী ৱাফম অসি হন্দোকপীনবা হায়খি।

সংমানা মখা তানা লুরবা ইস্যু অসিবু লোইশিন্নবা ফিরেপ লৌদ্রিঙৈদা লৈঙাক্না মমুৎ তানা খঙবা মথৌ তাই হায়খিবগা লোয়ননা য়ূমলোন্নরিবা ষ্টেটকী মায়কৈদগীদি মখোয়গী তোংজবনা মরম ওইরগা এম ও য়ু অসিবু চৎনহন্নবা তকশিল্লি হায়না মরাল শীখি।

পনবা য়াবদি, ষ্টেট অনীগী ঙমখৈগী চয়েৎনরিবা অসি লোইশিন্নবা পীনখিবা এম ও য়ু অদু ফাইনেলাইজ তৌনবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমাবু ন্যু দেল্লীদা মীফম য়াওনবা খঙহল্লকপা লৈখ্রবনি।

## নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগীদি সেন্টর অমদি নেগোসিএটরশিংনা তৌহনসি

কোহিমা, মার্চ ০৯ (এজেন্সী):
নাগালেন্দ লৈঙাক্না নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী মতাংদা খন্ন-নৈননবা কৌরিবা মীফমগী মাংওইননা নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপকী ৱর্কিং কম্মিটিনা লৈঙাক্তা পীছ টোককী ৱাফমদি সেন্টর অমদি নেগোসিএটরশিংদা তৌহনসি হায়খ্রে।

নাগালেন্দ লৈঙাক্না লুশিল্লক্লিবা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী মতাংদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টরগী রেসিদেন্ট ওফিসতা খন্ন-নৈননবা এপেক্স ট্রাইবেল বোদিশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, নুপীগী অমদি মহৈরোয়শিংগী ওর্গনাইজেসনশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি লেজিসলেটর ৬০ মক্তা খঙহনবা লৈখ্রে।

নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপকী ৱর্কিং কম্মিটিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ষ্টেট লৈঙাক্না ইস্যুশিংগী মতাংদা নাগালেন্দগী ট্রাইবশিং, সিভিল সোসাইটিশিং অমদি নন-নাগা ইন্দিজিনিয়স কম্যুনিটিশিংগী ভিয়ু লৌনবা হোৎনরিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। তোঙান-তোঙানবা মেটরশিং অর্বান লোকল বোদি ইলেক্সন, আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্ট, নাগালেন্দ লীকর টোটেল প্রোহিবিসন এক্টকী মতাংদা মীফম অদুদা খন্ন-নৈনবা য়াম্নমক মরু ওই।

নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্না লৌখিবা থৌদাংবু থাগৎলি অমদি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং নাগা নেগোসিএটিং গ্রুপশিংগী পোলিটিকেল টোকতি ওফিসল ওইনা ২০১৯গী ওক্টোবর ৩১দা লোইখ্রে হায়বসিদা ৱর্কিং কম্মিটিনা খোঙফম চেৎনা লেপ্পী অমদি নাগাগী ট্রাইবশিংনসু লাউথোকখিবা অসিবু অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা নাগালেন্দগী এপেক্স ট্রাইবেল বোদিশিং, কষ্টমরি ইন্সটিট্যুসনশিং অমদি সিভিল সোসাইটিশিংনা থিহ্নদনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা মথৌ তাবা এগ্রীমেন্ট ইননবগী হৌজিকসু মতম লৈরি হায়খ্রে।

নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী মতাংদা নাগালেন্দ লৈঙাক্না শীন্দুনা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা অসি পেরিমিটরগী মপান্দনি অমদি মসি অন-ক্বালিফাইদ ওইবদা নৎতনা অরানবা থবক্নি। নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ওইনদি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি মীয়াম্না খনবা নাগা নেগোসিএটরশিংদা শীন্নবনা খ্বাইদগী অফবা খোঙথাং ওইবদা নৎতনা অথুবদা পোলিটিকেল সোল্যুসন পুরকপা ঙমগনি হায়খি।

## অসাম রাইফলসনা ক্রোর ৮ হেনবগী হিরোইন ফারে

আইজোল, মার্চ ০৯ (এজেন্সী):
মিজোরামগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী অসাম রাইফলসকী টুপশিংনা লুপা ক্রোর ৮ হেনবগী হিরোইন ফাগৎপা ঙমখ্রে।

অসাম রাইফলসকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লদুনা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈগী মনাক্তা লৈবা জোখাওথার ভিলেজদা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৫.২৩গী ওইগদবা হিরোইন কেজি ১.৩ ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী ওপরেসন অসি চথখিবগা লোয়ননা লোনা থিংখ্রবা পোৎলমশিং অদু সাপোন কেপ ১০০দা হাপ্লম্বা থেংনরকখিবগা লোয়ননা মীওই অমা ফাবা ঙমখিবনি অমদি পোৎলমশিং অসি ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা ওইরমগনি থাজে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগী মনাক্তা লৈবা টিয়াও তুরেলদগী লুপা ক্রোর ৩.১২গী হিরোইন গ্রাম ৭৮০ ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মখা তাবা লিগেল প্রোসিজর লৌখৎনবা মিজোরাম এক্সাইজ অমদি নার্কোটিক দিপার্টমেন্টতা শিন্নখ্রে হায়রি।



৪৪শুবা অসাম রাইফলসনা টি ৱাইচোং পি ঐচ সীগা খূৎশম্নদুনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী কোটলেন এরিয়াদা ইন্ম্যুনাইজেসন দ্রাইভ পাঙথোকখিবা

## CROSSWORD-3469



**ACROSS**

1 Pile (4)
3 Food of the gods (8)
9 Sequoia (7)
10 Protect (5)
11 Conclusive evidence (5)
12 Baltic country (6)
14 Twelfth sign of the zodiac (6)
16 Abscond (6)
19 Fractured (6)
21 Film (5)
24 Confess (3,2)
25 Dressed (7)
26 Tangible (anag.) (8)
27 Peruse (4)

**DOWN**

1 Sailors' dance (8)
2 Electronic sound reproduction (5)
4 Centre (6)
5 Correct (5)
6 Endurance, staying power (7)
7 Verdi opera (4)
8 Hot beverage (6)
13 Magnificent (8)
15 Peculiar (7)
17 Hostility (6)
18 To no avail (2,4)
20 Conked out (5)
22 Edge (5)
23 Search thoroughly (4)

**Solution 3468**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | U | G | S | H | O | T | | C | R | E | E | P |
| O | | O | | I | | A | | L | | S | | U |
| N | E | W | E | R | | W | H | I | S | P | E | R |
| A | | N | | S | | D | | N | | A | | S |
| R | E | S | C | U | E | R | | G | O | R | S | E |
| C | | | | T | | Y | | | | T | | |
| H | I | G | H | E | R | | A | B | R | O | A | D |
| | | U | | | | A | | U | | | | E |
| T | W | I | S | T | | C | R | I | M | S | O | N |
| O | | L | | A | | T | | L | | W | | O |
| U | N | D | E | R | G | O | | D | W | E | L | T |
| G | | E | | N | | R | | E | | E | | E |
| H | O | R | U | S | | S | C | R | A | P | E | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3868

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | | 1 | | | | |
| | | | | | 9 | | | 5 |
| | 7 | | 8 | | 2 | | 4 | |
| | 4 | 9 | | | | 7 | 3 | |
| | 8 | | 1 | | 7 | | 5 | |
| | 6 | 5 | | | | 9 | 8 | |
| | 9 | | 2 | | 3 | | 7 | |
| 4 | | | 9 | | | | | |
| | | | | 8 | | | | 9 |

## Solution-3867

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 6 | 7 | 3 | 5 | 1 | 9 | 4 |
| 4 | 3 | 5 | 1 | 9 | 6 | 8 | 7 | 2 |
| 1 | 7 | 9 | 8 | 2 | 4 | 3 | 6 | 5 |
| 3 | 5 | 4 | 6 | 8 | 2 | 7 | 1 | 9 |
| 2 | 1 | 7 | 3 | 4 | 9 | 6 | 5 | 8 |
| 9 | 6 | 8 | 5 | 7 | 1 | 2 | 4 | 3 |
| 5 | 8 | 3 | 9 | 6 | 7 | 4 | 2 | 1 |
| 7 | 4 | 1 | 2 | 5 | 8 | 9 | 3 | 6 |
| 6 | 9 | 2 | 4 | 1 | 3 | 5 | 8 | 7 |

## EMPLOYMENT NEWS

### TRIPURA UNIVERSITY INVITES APPLICATION FOR JUNIOR RESEARCH FELLOW RECRUITMENT 2022

Junior Research Fellow
Job Location:
Suryamani Nagar, West Tripura, 799022 Tripura
Last Date: 10 March 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
Tripura University Recruitment 2022
Tripura University Recruitment 2022 Recruitment 2022 Details
Job Role Junior Research Fellow
Education Requirement M.A, M.Sc
Total Vacancy 1 Post
Job Locations West Tripura
Experience 1 - 3 years
Salary 31000(Per Month)
Posted on 08 Mar, 2022
Last Date To Apply: 10 Mar, 2022
Educational Qualification: M.A, M.Sc
Applications are invited for the post of one Junior Research Fellow (JRF) under the project entitled "Environmental Impact of Anthropogenic Activities on Wetland Bio-Diversity of Rudrasagar Lake, The Ramsar Site of Tripura" funded by DBT, Government of India, under the Principal Investigatorship of Dr. Saptarshi Mitra, Assistant Professor, Department of Geography and Disaster Management.
1. Name of the Post: Junior Research Fellow (JRF)
2. No of Post: 01
3. Pay: Monthly fellowship of Rs.31,000/- + admissible HRA.
4. Qualification: Applicants having NET/ GATE or Similar Qualification of National, Level and minimum 55% marks in MA/M.Sc in Geography (with Specialization in Regional Planning/ Environmental Geography/ Geomorphology) or Geology Environmental Science are desirable for the interview. Experience in field work along with survey instruments handling and expertise of Remote sensing and GIS, Map making is highly preferable.
Pay Scale:
INR
31000(Per Month)
Age Limit:As Per Rules Age
Selection Procedure
Shortlisted candidates will be informed through email. Interview will be held on 14th March, 2022 at 11.00 AM through offline/online mode (preferable offline).
How to Apply:
Interested candidates are requested to send their complete bio-data in MS word & PDF format (with working email id and phone number) together with scanned colour photograph via email to saptarshimitra@tripurauniv.ac.in within 10th March, 2022.
Important Dates:
Published on: 08 March 2022
Last date for application is: 10 March 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification.

### IIT GUWAHATI INVITES APPLICATION FOR LABORATORY ASSISTANT RECRUITMENT 2022

Laboratory Assistant
Job Location:
Guwahati, Kamrup, 781039 Assam
Last Date: 14 March 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
IIT Guwahati Vacancy 2022
IIT Guwahati Vacancy 2022 Recruitment 2022 Details
Job Role Laboratory Assistant
Education Requirement B.Sc
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Guwahati
Experience 1 - 3 years
Salary 7500(Per Month)
Posted on 05 Mar, 2022
Last Date To Apply 14 Mar, 2022
Educational Qualification: B.Sc, B.Tech/B.E
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Applications are invited for an online interview for the following post in the project entitled, "Technology development of vinegar production from indigenous fruits Leteku (Baccaurea motleyana), Kordoi (Averrhoa carambola), Poniyal (Flacourtia jangomas) of Assam" of Centre for the Environment, IIT Guwahati.
1. Project staff designation: Laboratory Assistant
2. Number of Vacancies: 01
3. Pay Recommended (Rs.): 7500.00
4. Duration of Appointment: 11 Months
5. Qualification: Bachelor of Science / Technology / Engineering. Experience of working in laboratory is preferable.
Pay Scale:
INR
7500(Per Month)
Age Limit: As Per Rules
Selection Procedure
Shortlisted candidates will be intimated through E-mail. Selection will be based on the performance of the candidate in the interview. Candidates will not be sent any call letter separately.
How to Apply:
Candidates have to appear in the online interview on 16 March 2022 (Thursday). The copy of Application/CV giving details of all educational qualifications with scanned copies of relevant certificates, experience, contact address, phone no., E-mail, etc. in a single pdf file should be sent to ubora@iitg.ac.in on or before 14 March with the subject line “Application for Laboratory Assistant”.
Important Dates:
Published on: 07 March 2022
Last date for application is: 14 March 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification.



HL-B/7414/10/3-27/4 (alt)




